www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,138
22 Carat/g : ₹ 14,160
1 Kg Silver : ₹ 2,35,054
Gram Silver : ₹ 2,323
WEATHER: Partly cloudy
Temperature 30/21°C
Sunrise: 05:04 AM
Sunset : 05:08 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nil
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 286 | IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 27, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নোংমাইজিং, লাংবনগী ১৬নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী ৱাহৈদু মমল লৈনা
লৌদবা মফমদদি তুমিন্না লৈবনা
খ্বায়দগী ফবা পাউখুমনি

### হার বেগ ১,৩০০ ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদা পুরম্বা য়ুরিয়া হার বেগ পুন্না ১,৩০০ লোম বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাগৎখ্রে। পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩দা হার বেগ ১,২০০ অদুগা সেপ্টেম্বর ২৫দনা হার বেগ ১০০ চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদা পুদুনা লাকপা থেংনবদগী বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাখিবনি। ইনভেষ্টিগেসনগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

### মরী লৈনদেঃসনাজাউবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
সেপ্টেম্বর ২৫দা মণিপুর পুলিস স্পেসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটনা এন আর এফ এমগী মেম্বর ২ ফারে হায়রিবা এল সুরেশ (২৭) অমদি নোংদ্রেনখোম্বা লাইতোংবম (২১) মীওইশিং অসি নেসনেল রিভোলুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনাজাউবনা ফোঙদোরক্লি।

### আর পি এফনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
সেপ্টেম্বর ২৩দা ৩৩শুবা এ আর অমসুং সি দি ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিমনা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী ফেসবুকতা ফোঙদোরকখিবা কোন্থৌজম রিতা (৫৩) মপুরোইবা ওইনাম জিতেন য়াইরিপোক অংথা মমাং লৈকাই আর পি এফ অমদি লান্মী শঙলূপ পি এল এগা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি বক্কিমনা ফোঙদোরক্লি।

### দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাইদা লৈবী সিঙ্গা সবনম (৩৬) মপুরোইবা নুর অহমদ সোরা বাজারদগী চাউরাক্লা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট কে জি ৩.২ রোমগা কোন্ননা ফারে। পুলিসনা ফারবা সিঙ্গা সবনমদা য়াল্লবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেটশিং অদু কদায়দগী অমদি করন্না পুরকখিবনো হায়বগী ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

# সেনাপতিগী কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী ২ হাৎলল্লে, তমেংলোংদা য়ুম কয়া মৈ থারল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খূৎলায় পায়বশিংনা মীহাৎ মীপুন চথরকপা ঙসিসু লেপত্রি। ফম্নাইবশিংনা কপে দম তৌনরকপসু লেপত্রি।





সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী খুঞ্জা ২ তুল্লিঁঙৈদা কাপ্পুনা হাৎলল্লে, ২না অশোক অপন নংহল্লল্লে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সোজামফাই কুকি খুলদা মী লৈনদ্রবা য়ুম ৭লোম মৈ থারল্লে।

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপ অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা চথরক্লিবা হাৎন–শুনবগী থৌদোক মনুং চন্না ঙসিসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা লান্দারক্তুনা মীওই অনী হাৎখ্রে, অনীনা অশোক অপন নংহল্লল্লে।

এটেক্ট অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী চৱাইনামৈ খুলদগী রোকি মাও অমসুং লাইসিরাফি ভিলেজদগী কুমার পাউমাই কৌই। শোক্লবা অনী অদুনা শাজাউবা ভিলেজদগী অশিহো সানি অমসুং মখেল ভিলেজ দগী অদানি মানিও কৌই হায়রি।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ...মখা লমায় ৫দা...

### য়ু এন সিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ হন্দোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
ইরাং থোক্লকপা য়াবা মফমশিং দগী কুকি সূ কেম্প লৌথোকপা, ওথোরাইজ তৌদবা কেম্পশিং থুগায়বা, দেজিগনেটেদ কেম্প মশীং হন্থহনবা য়াওনা ৱাফম কয়াদা য়ানবা পুরকপদগী য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না মণিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা চথরম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেদ মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে। চহী অসিগী মে ১৩দা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎলকখিবা থৌওংবু য়ানিং দবা ...মখা লমায় ৫দা...*

### সি এম য়াওনা কন্দেম তৌনরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী খুঞ্জা ২ তুল্লিঁঙৈদা কাপ্পুনা হাৎলম্বা, ২না অশোক অপন নংহল্লম্বগী থৌদোক অদুবু সি এম য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে। লোয়নননা হান্নগী সিএম বিরেননা 'এক্স'তা থাগৎপা পোষ্ট অমদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

পোষ্ট অদুদা হায়, চহী অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মী ৬০গী মথক্তা শিখ্রে। অদুগা চীংদা ইরাং থোকপসু লেপত্রি। খূৎলায় পায়বশিংনা য়ুমদা চঙলক্লুগা তুমদুনা লৈবা মীওই ২কাপ্পুনা হাৎপা হায়বসি খ্বায়দগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই। অসিগুম্বা ...মখা লমায় ৫দা...

## 'ইকোনোমি শোক্লবদি চাউখৎপা ঙম্লোই, শান্তি লৈরবতদা চাওখৎকনি'




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
ইকোনোমি শোক্লবদি মতৌ করন্না ষ্টেট অসি চাউখৎপা ঙমগনি। মণিপুর চাওখৎনবা অমদি ইকোনোমি ফগৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি শান্তি লাক্লবা মতম খক্তদা ওইগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

হেরিটেজ টু হোরাইজন্স হায়বা ঠিমদা মরামদা পাঙথোকখিবা দোন বোস্কো কোলেজগী সিলভর জুবিলিগী থৌরমদা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌখিবা চহী অহুম লোম অসিদা ইরাংনা মরম ওইরগা জি এস টি কলেক্সনদা লুপা ক্রোর ১,৩০০ রোম মাঙখি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈত লায়রবা মীচম মীয়ামদা খম থেংনা ...মখা লমায় ৫দা...

## চহী অমগী মনুংদা অঙাং নুপীমচা লিশিং ৪৩ ফম্লানবিখিঃএন সি আর বি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক অসিগী ওইনা চহী অমগী মনুংদা অঙাং নুপীমচা লিশিং ৪৩ রোম ফম্লানবিখি হায়না নেসনেল ক্রাইম রিকোর্দস ব্যুরো (এন সি আর বি) গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদবনি, পার্লিয়ামেন্টদা নুপীগী সিটকী মশিং হেনগৎহনগনি অমদি গভর্ণমেন্টনা ৱিমেন ইম্পৱারগীদমক স্কিম কয়া পায়খৎলবসু এন সি আর বিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্নদি মপুং ফানা তাইওন্নবা হায়বদু থোক্লে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী অঙাং শিং করম্বা ফীভমদা লৈরি অমদি কয়া য়ান্না নমজা নমথেক্লবিবগী থৌদোক থোক্লি হায়বসি য়ান্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী নুপী অঙাংশিংদা নমজা নমথেক্লবিবগী চাং হেনগৎলক্লি। অদুগা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবগী চাংনা হন্থরকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ান্না লাইবক থিবনি।

এন সি আর বিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ২০১৫ দা চহী ১৮ গী ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুরী শিবদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা শা–ঙা শিবা ওইনা করিসু থৌশাদ্রেঃ ও ইবোবী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
হন্দক মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা মী শিরক্লিবা য়ুম মৈ থারক্লিবা অসিদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু খন দনা লৈথোক্লিবা অসি মণিপুরীশিংবু শা–ঙা ওইনা উরগা থৌশাদ্রিবরা হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌজিক মণিপুরগী মরু ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৭দগী হৌরগা মণিপুরদা খুন দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্তুনা হৌজিক মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা ইরাং থোকখ্রগা মদুগী ৱারোইশিন ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্কী ফিরেপ খঙদোক্লবা ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তন্না চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
সেন্সস অমদি এন আর সিগী মতাংদা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙদোক্লবা হয়েং ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তন্না চঙশিনগদৌরি। সি এম বঙ্গলো তন্না চঙশিল্লকপা ইমাশিংদা কা হেনবা থৌওং চথদনবা কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা থম্লক্লি।

নম্বোল খাবিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী সুনিল করামনা হায়, জে এফ দিনা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মতম থাখিবা অদু লৈঙাক্লা করি ফিরেপ লৌরবগে হায়বা খঙদোক্লবা ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তন্না চঙশিনগদৌরিবনি। মসিদা লৈঙাক অমদি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কা হেনবা থৌওং চথবীগনু। মরুওইনা সেন্সস মপুং ফানা য়ৈথোক্তুনা মীতোপ খন্দোক্লবা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইদুনা এন আর সি অপদেট তৌনবা ইনি দয়া লৈঙাক্লা লাউথোক্লবগী মতাংদা য়ূম্ফম ...মখা লমায় ৫দা...

### মিংচৎ থিনবা হোৎনবিগনুঃ ইমাশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
থেংখাং কয়াদা শজিরোক্তগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা খুৎলাই ফায় হায়দুনা পাউশিংদা য়াওনরিবা অসি শজিরোক্কী লমদম অসিবু মিংচৎ থিনবা শীনবনি হায়না ঙসি শজিরোক কম্মুনিটি হোলদা লমদম অদোমগী ইমা ইবেনশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুরেম্বম সর্জুবলানা হায়, খুল অসিদা লৈরিবা মীওই ...মখা লমায় ৫দা...

### 'ইরাবতনা চৎলম্বা লীক্লম নীংশিংসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
লময়ানবা ইরাবতনা চৎলম্বা লীক্লম, ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী মীৎয়েং শানবা থবক থৌরম ঐখোয় পূন্নমক্না নীংশিংসি হায়না সি এম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমদি ইরাবত মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্টনা খূৎশন্নদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত লৈখিদবগী ...মখা লমায় ৫দা...

### এন আর সি ময়েক শেংদবনা ইসু লৈখিগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর লৈঙাক্লা সেন্টর লৈঙাক্তা মণিপুরদা এন আর সি চৎনহন্নবা ৱারোল হায়দবনা ষ্টেট অসিদা এন আর সিগী ইসু লৈখিগনি হায়না সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৪দগী হৌনা নুমিৎ হুন্নি চুপ্না ...মখা লমায় ৫দা...

### 'এব্রার্নেস পীদুনা দ্রগতগী লাপথোক্লবা হোৎনসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
দ্রগ য়ুজরশিংবু লান্না অমদি ক্রিমিনেল গুন্না উবগী মহুত্তা দ্রগনা খুন্নাই, ইমুং মনুং য়াওনা ইশাদা মাঙহল্লিবা কয়া অসিগী এব্রার্নেস পীদুনা ময়াই কাবা নিষা শীজিন্নরিবশিংবু দ্রগতগী লাপথোক্লবা মতেং পাংবা ...মখা লমায় ৫দা...

### কুকি ওফিসিয়েল ১না ভোটিং রাইট মৎলল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
হৌখিবা চহী ১৯৭২দগী হৌদুনা মিজোরমদা লাই ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এল এ দি সি)গী রিজনদা লৈদুনা শাংলবা চহী কয়া ভোটিং রাইট ফংদুনা ভোট থাদদুনা লাকখ্রবা মোগ বুধিষ্ট কম্মুনিটিগী মীওই কয়া মণিপুরদা বেজ তৌবা কুকি ওফিসিয়েল অমনা ভোটিং রাইট মৎপদা নত্তনা পোকপগী সার্টিফিকেট ফাওবা মত্তুনা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমদা লৈঙাক্লা পীবা খূদোংচাবা কয়া ফংহন্দনা লৈরে হায়না দিজিটেল ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

লোইরে হায়হৈদে লোইরেনে
লমদমসে হেক মুৎলেদকো



ঐনা ঙাকপদি লৈঙাক্লিনেনা লৈরিবা
মোয়সিনিনে, মকোক পান্দ্রমাল্লে

### লৈঙাক্লা পিলোং থৌদোক্কী করি এক্সন লৌখৎলবগেঃ কোকোমি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লৈঙাক্লা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পিলোংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী করি এক্সন লৌখৎলবগে হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) হংলক্লি।

কোকোমিগী আই পি আর সব–কম্মিটিগী কন্ভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামসু সেফ ওইবা পুন্সি মরেল অমদা তংদু লৈতানা হিংবা ঙমদ্রি হায়বসি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পিলোংদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা ময়েক লারবা খুদমনি। মখুৎতা খূৎলায় মতিক চানা পায়রবা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কেএনএবিনা ইন্দিয়াগী ...মখা লমায় ৫দা...

### এম এস পি দি সি এলগী থৌওং পেন্নিংঙাই ওইদে ঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল)না স্মার্ট মিটর পানবা অমসুং তোয়না মৈ মুখৎপগী থৌওংশিং পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমর এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কোন্থৌজম সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদনা মৈ য়ুনিট ২০০–৩০০ লেম্না কঞ্জ্যুমরশিংদা পীরি। অদুগা মণিপুরদনা পুন্নমকশিং অসিগা তাইওননা থবক তৌরি হায়না ওল মণিপুর পৱার কঞ্জুমর এসোসিয়েসননা ...মখা লমায় ৫দা...

### হেক্তা হায়জিনবা

## লমদম অমগী ৱারী

লমদম অমা লৈ
চীন্না লৈঙাকই লমদমদু
খূৎ ইয়াও য়াওদনা
ঐনা অদু তৌরে
ঐনা অদা তৌরে
তৌদি ইতৌ তৌদনা
লমদম অমা লৈ
হাৎসু পঙহাত্ত হাৎনবা
মৈসু পঙথাদ থানবা
লৈঙাক্লা কৈসু থৌশাদবা
প্রজাসু কৈসু পাখৎপীদবা
শিনি খন্না পাঞ্জবা
পালি ঙায়দুনা লৈজবা
লমদম অমা লৈ
মাঙলমচৎ চৈরগা লৈনবা
হৌজিকসু কৈসু তৌদবা
তুংলমচৎকীসু থওইদবা
মীগী অশোয়বা থিনবা
মশাগী অশোয়বা লোৎশিনবা
লমদম অমা লৈ।

## সনামহি শঙলেনদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ
লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা মীতৈ ফুরুপকী খ্বায়দগী মরুওইবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম অমা ওইরিবা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা চেঙ–থোইদিং, হৈ–লৈ কৎখ্রে।



ইম্ফালগী হয়িংখোঙবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা লাইফমলেন অসিদা পাঙথোকখিবা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অদুদা মীয়ান্না পুরকপা লাই তিনগী পোৎলম খূদিংমক লাইনিং থৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট এল রামেশ্বর য়াওনা অমাইবা অমাইবীশিংনা নীংথিনা শীন–লাং দুনা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। লোয়নননা লাইনিং থৌ সনামহি অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা অথেনপোৎসু কানখি। তুংদা লাইফমলেন অদুদা লাক্লিবা মীওইশিংগী চাক্লেনসু বোর্দ অসিনা শীন লাংখি। লাইফমলেন অসিদা লাংবন চারা তম্বা লাক্লখিবা মীয়ান্না ...মখা লমায় ৫দা...



## বারীমচা

# শক খঙলকপদা

### মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী উরিপোক লম্বীদা নোংচুপ পাংনা কিলোমিটর মাপলমুক হাইথরগা লমশাং কৈথেল লৈরে। লমশাং কৈথেলদগী অৱাং পাংনা কিলোমিটর অমরোম চৎলগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অখাম হায়বা খুঙ্গংদু লৈরে। খুঙ্গং অসিদনি ইবেথোইগী ময়ুমসু। মতমদু অয়ূক্কী পূং তরামুক তারকপা মতম্নি।

“নখোয় ৱাখল খরদি খনবা ফবনিকো ইবুংঙো, নচলনুপীগী লুহোংবসু লৈবাক্কী ঈরাংসিদা মচু তানা হোঙবা ঙমখিদ্রে। হন্দক্কী চাক্কৌবা অসিদদি লৈবাক্কী ওইনা য়েংলগা চাক্কৌবদুমক কৌদ্রবসু মহাক্কী অৱাৎ–অপা খরদি পীবীখিসিরা খল্লি। নপাদুনা লৈরমদনা ইতেঙ পাংবীনি হায়বসু নত্ত!” মমা ইবেথোইগী ৱাহৈ খরসিদা মাঙ্গোন্দা ফানশাং অমদা ফল্লিবা মচানুপা ইঙোসু খুস্ফম খঙদনা তুমিন্না লৈ। ইমুঙদা মফি–মরোল য়োমশিন্দুনা লোইশিল্লম্বা মমৌনুপী থাজমানবীনা মনেম্বোক্কী ৱাফমদু তাবদা পরপ পরপ থোরক্তুনা থোঙজিন ময়াদা লেপ্তুনা পাউখুম পীরকই– “অবোক, নচানুপাসি লৈঙাক্কী ক্বার্টরদা লৈত্রবদি মহাক্কী মথৌদা অকায়বা লাক্কদবা মওঙ খরা লৈরি, মদুদা তৌবনি, ইবেম্মগী অৱাৎ–অপা খরদুনা ইরাঙসিনা নেমথরক্লগা মথঙগী চহীদরা কৈনো তৌবা হায়দুনি।”

থম্মোয়দা ৱা ফুম্বা হৈতবী ইবেথোইনি। লৈবাক্লা শক খঙবিবা অদুমক নৎত্রবসু লৈকায়গী ওইনা থোইদোক্লা অচুম–অরান মশক খঙবী অমা ওইনা মহাকপু শক খঙনরিবনি। মচানুপানা পুলিস অমা ওইজরবসু মপা নৌনা কায়নহৌরবা মচাশিংবু য়োক্লনবা মী অমমম ওইননবা হোৎনবদা খ্বাইরমবন্দ কৈথেল থোক্তুনা নোংমগী চরা অনী শুনা ফংননবা হোৎনখিবদু অসুম হৈনবী ওইখিদুনা মচানুপানা থবক তৌদুনা ময়ুম–মকৈ পাল্লবসু কৈথেল ফম্বা তোকউ য়াদদুনা লৈরিবনি। মচা–মমৌনা লাইরিক তমজরকই হায়বতনি, অচুম–অরান অমদি লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদদি ইবেথোইবু নমথবীনবা মী অতাঙবনি। ইবেথোইনা মমৌনুপীগা অৱায়–অখুম তৌনবগী মহুৎ মচানুপাদা হাইফেৎ য়েংলগা মখা তারকই– “অচুম্বা লমচৎ চৎপা হায়বসি কনাবুসু কিরোইদবনি। নখোয়না নথৌ পাঙথোকপদা কিরিবসে ঈমাদি পামদেকো ইবুংঙো।”

মমৌনুপী থাজমানবীসু মখা তারমদনা ইমুংদা ফৎ চঙখিদুনা মাগী লোইশিনগদবা থবক্তু অদুম মখা চত্থখি। ইঙো ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা সব–ইন্সপেক্টর ওইনা থবক পুরি। চৎলিবা চহী ২০২৩ গী মেগী তাং ৩ দগী ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা মীতোপ কাঙবু অমনা মীতৈশিংগী মথক্তা খঙহৌদনা লান্দারক্তুনা কাং–খোং চাইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মরকসিদা অমুকসু মীশি–মীনা কয়া য়াওরিবনি। মদুদা লৈঙাক্লা থা তরুক মপূং ফারক্লবা ইরাং অসিবু লোইশিন্নবা হোৎনবিদে হায়দুনা মীয়াম্না লৈঙাক্কী মথক্তা মখল–মখা কয়াগী পেন্দগী খোঙজং চঙশিন্নরি। অসিগুম্বা মণিপুরগী ওইরক্লিবা ইরাং মতা অসিদা অহীং–নুংথিল হায়বা খায়দনা অচৌ–অশাংশিংগী য়াথংদা মথৌ হেন্না চিল্লকপনা মহাক্কী নুপী থাজমানবীগী চক্রিদগী তঙাইফদনা ইঙোসু ক্বার্টরদা লৈনীংখিবনি। মমাগী ৱাফমদুদা থোইদোক্লা য়েৎলুবা তৌদনা ইঙোনা হায়ফম তৌফম খঙদনা খুল্লকই – “খঙদ্রেদা ইমা! ঐসু য়ুমদা লৈনিংলিবনি। লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা য়াদদনা তৌরিবনি। কৈদৌরগে! কয়াম কুইরুনি হায়গে, ইরাঙসিনা হেক নে তারকপগা য়ুমদা অমুক লৈরবসু য়াই।” মমা ইবেথোইগী অচুম্বা মায়কৈদা তৌবা ঙম্বা অমদি হনবা নাইদবা মথৌনা মুন্না খঙলবা ইঙোসু মমাগা কুইনা অৱায়–অখুম তৌনগদবা তল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখে ৱারোইশিন তাননবা হোৎনৈ। কোন্থোঙ ময়াদা পুলিসকী জীপসি অনী খাল্লগা খোঞ্জেল হৌনা খোংলকই –

“তিৎ তিৎ”

“লোইরে লোইরে ঙাইহাক্তং ঙাইরোকো!”

ইঙোনা খাল্লরিবা জীপসি অনীদুদা তোংলক্লিবা মীশিংদু তাননবা লাউখি। ইমুঙদা ওনশিন্দুনা মহাক্কী নুপী থাজমানবীদা মখা তারকই–

“লোইদ্রিবরা নঙবো? শেৎন–ইন্নবা খরা য়াওরদি য়ারেনে, অৱাৎপশিংদু কোন্না অমুক লৌরসিনে।” থাজমানবীসু করি করিনো অচৌবা খাউজাউ অনী য়াল্লদুনা মচানুপা অপিকপা অদুমা পোশিল্লগা হোহে হোবে থোরকই।

“বোবোক্কী মশূ! না–য়েক্কনুকো!”

ইবেথোইনা চঙশিন্দুনা অপীকপা মশূদুবু মকোক্তা নান্থবীরদুনা মখজাইদা নুংশিনা অমুক্তং চূপ্পীখি। ইঙোসু মমাদা চৎলুখিগে হায়রম্লগা থোকখ্রে। থাজমানবীসু চৎখ্রে।

লৈবাক্কী ইরাঙসিনা নোংম–নোংমগী লালসু কনশিল্লক্লি। ইবেথোইসু লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংদদি চিথবা লৈতে। লৈকায়গী নুপীশিংগী লুচিংবী ওইদুনা ঙমজবা চেঙ, ফি–রোল অমদি লুপা খরা খরা খায়দুনা অৱা–অনা তারবশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদা কোয়না চত্তুনা তেঙবাংবা চৎলি। লৈঙাক্লা ইরাঙ ফরে হায়রবসু মীতৈনা খুন্দারিবা চীংখোঙ–চীংয়াগী খুল কয়াদা বোম নোংমৈ কাপশিল্লকপসু লেপ্পা লৈতে। মরকসিদা ইবেথোইগী মচানুপী ইবেম্মসু মবুংগা মনম্মগনা লৈঙাক্কী ক্বার্টরদা লৈথোকখ্রবনিনা মমাগী মনাক্তা লাক্তুনা মমাবু হেক হেক য়েংশিনবীররি। লৈবাক্কী ইরাঙ অসিদা মমাবু চেকশিন্নবা থেমজিল্লরে।

লমদম অসিগী চীংখোঙ–চীংয়াদা লেপ্তুনা লান্দারক্তুনা মীয়াম্না অৱা–অনা তানরিবশিং অসি লৈঙাক অসিনা মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিবা অসিগী খন্দুনা ঙসি নুমিদাংদি লৈঙাক্কী মথৌ শঙবা ওইনা মণিপুর পূম্বদা লৈরিবা মমা ওইবী খূদিংমক্কা মখূৎতা মৈরা পায়দুনা খোঙচৎ অমা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তন্না চৎকদৌরি। মদুগীদমক মাঙজেনৈনা খুন খুনগী লৈকাই লৈকাই খূদিংগী মৈরা পায়বীশিংদা চে থাদুনা খঙহন্নখ্রে। পাউচেদা পাক শন্না হাপ্লখ্রে। ইবেথোইসু কৈথেল ঙন্না কূম্লক্লগা নুমিদাংৱাইরম চাক ঙন্তানা চাথোক্তুনা মৈরা পায়বীগী শঙলেন্দা থোরক্লে। মৈরা পায়বীগী শঙলেন্দা নুপী ময়ামসু মৈরা শাদুনা লৈনরল্লি। নুমিদাংগী পূং তরেৎ তাশিল্লক্লে। মতম য়ৌরে হায়দুনা নুপী ময়ামসু অমগা অমগা কৌথোক্লদুনা মরাং মরাং তৌনরক্লে। শাবা লোইরবা মৈরাশিং অদু নুপী অমমন্না পায়নদুনা মৈ চমখৎতুনা চৎপা হৌনখ্রে। লম্বী লমজাও য়ৌরকপদদি নুপী চা কয়ানা মখূত্তা মৈরা পায়দুনা ইম্ফাল ময়োল তন্না লাক্লবা হৌনরল্লে। লম্বী লম্ফাং অমমমদগী থোক্লরকপা মৈরা পায়বী কয়ানা মথঙ মথঙ শমজিন্নরকপদা শাংখ্রবা লম্বী লমজাও অদুমা মৈগী চীংলাই অমগুম উখ্রে। উরিপোক য়ৌরকপদা মৈরা পায়দুনা চৎলল্লিবা মীয়ামদু লাঙবা হেনগৎলকই। খ্বাইদগী মাঙ ইথং থংলিবা চৈরাপ কোর্ট য়ৌশিল্লক্লিবা মমাঙ থংবশিংদু সিফাইশিংনা মখা তানা চৎপা য়াররোই হায়দুনা অকনবা মওংদা মুক্লরি। পরেং পরেং চৎনরম্বা মৈরা পায়বীশিং মথং মথং কাখৎনরকপনা সিফাইশিংগী মফমদা তকশিল্লক্তুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙ মনাক য়ৌশিল্লকখ্রে। মায়কৈ কয়াদগী চঙশিন্নরকপনা ইম্ফালগী মফম খূদিংমক্তা মৈরাতনা পীক থনখ্রে। অমরোমদদি মীতৈনা লৈরিবা মফম খূদিংমক্তা মৈগী ঈচাও থোকপগা পাংখক্লখ্রে।

খঙহৌদনা অহৌবা মখোল মথং মথং তারকই। মৈখুনা পূম্মম পূম্মম মমশিল্লকই। মৈরা পায়বী কয়া অমনা মায়কৈ শলাই খঙদনা চেন্নবসু য়াওরি। কয়া অমনা সিফাইশিংদা ওনশিন্দুনা লাউবা খোংবা তৌদুনা খূৎতুম শীংদুনা চোংশিন্নরি। মফম খরদনা অশোক–অপন য়াওবগী মীকপ মীরাওখোলনা নীল্লি। কনা অমনা লাকমিন্নবশিং থিদুনা কোয়চেন চেন্নরি। অসুক য়ামখ্রবা মীগী ঈচাও মরকসিদা অশোক অপন পুননবা এমবুলেন্সকী মখোলসু লেপ্পাইদনা তারি। মীকপ মীরাওখোল, মীৎথুপ্পী মৈখুতা নত্তনা নোংমৈসু য়াওনা কাপ্পী খোঞ্জেল, অশোক–অপন হোনবগী এম্বুলেন্সকী খোঞ্জল, ময়াম অসিনা অচৌবা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও অমগুমখ্রে। মরকসিদা সব–ইন্সপেক্টর ইঙো মথক থোংবগী য়াথংদগী মহাক্কী মথৌ পাঙথোকপা ওইনা মীয়ামদুবু লাকশিনবদা মহাকসু য়াওরি। নুপী কয়া অশোক–অপন নংনখ্রে, পুলিস সিফাই কয়াসু অশোক–অপন য়াওনরে। পুলিসকী গাড়ী কয়া মৈ থাখ্রে। লায়েংশঙশিংদা অশোক–অপনতনা পীক থন্নখ্রে।

নুমিদাংগী পুং ১১ মুক তারকপা মতমনি। ইবেম্মসু মহাক্কী মপুরোইবগা রিমসকী কেজুয়েলিটিদা হোবে হোবে চঙশিল্লকই। অশোকপা ময়ামগী মরক্তা মমা ইবেথোইনা ফমুং মথক্তা ওক্সিজেন হাপ্লদুনা য়াতারিবদুগী মনাক্তা চঙশিল্লকই। মীয়াম্না য়োমশিন্দুনা ৱাখল তাদনা লৈরিবা মমাবু উরগা তনিক্লবা খোঞ্জেলনা কৌরকই – “ইমা! নঙনা তৌরিবসিবু করিনো?”

লৈরম্বা ডাক্তর অমনা ইবেথোইগী মমায়দা উপশিল্লম্বা ওক্সিজেনগী মাস্ক তপ্পা লৌথোকখি। ইবেম্মনা মমা ইবেথোইগী মশা পায়দুনা য়েংলুরগা কপ্পদুনা ডাক্তর অদুদা হংলকই–

“ডাক্তর! ইমাসিবু ...?”

“কনবা ঙমহৌদ্রে।”

ডাক্তর অদুনা অৱাবগী নিংশা অমগা লোয়ননা ৱাহৈ খরসি হায়রম্লগা থোকখ্রে। ইবেম্মসু মমাবু কৌরদুনা নোং খোংবগুম কপ্লক্লে।

“ইমা! হন্দক্কী নিংঙোল চাক্কৌবসিদি চাক্কৌদ্রবসু নচাগী করিগুম্বা খরা তম্বীগনি হায়রম্বদাইনে ইমা!”

ইবেম্মগী মীকপ মীরাওখোল অসিদা লৈরল্লিবা মীপুম খূদিংমক্লা মমিৎতগী মপি তৈথোক্তুনা তুমিন তুমিন্না কপ্পরি। ইবেম্মসু কপ্ল–কপ্লদুনা মোবাইল ফোন্দা মবুংগা পাউ ফাওননবা হোৎনরি। অদুবু মহাক্কী মবুং ইঙোগী ফোনসু চৎখিদ্রে।

মথংগী নুমিৎতদি লৈবাক মীয়াম্না ইবেথোই লৈখিদবগী জোইন্ট এক্সন কমিটি অমা শেমদুনা ইবেথোইবু নোংমৈনা কাপখিবা পুলিসতুগী মথক্তা চৈরাক পীদ্রিফাওবা ইবেথোইগী হকচাং লৌখিরোই হায়বগী ৱারেপ লৌখ্রে।

হৌজিক্তি মীয়াম্না নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরম্বদগী ইফোং ফোংনা পাউচেদা হাপ্নরক্লে। মীয়ামগী ৱাকৎ মীফমদসু ইদুনা পায়নরক্লে, মদুদি নুপী হাৎপা পুলিস সব–ইন্সপেক্টর ইঙোবু লৈঙাক্লা চৈরাক পীগদবনি। মীয়ামগী মরক্তা ৱাকৎ মীফম ফম্বা য়াওরিবা ইবেম্মনা, মমা লৈতবা নুমিৎতুদা মবুঙ অমসুং মনম্মগী মফমদা ফোন হঞ্জিন হঞ্জিন তৌজবদা স্বিটচ ওফ লৈখিবদু হন্না হন্না নীংশিংলকই।

## সেপ্টেম্বর থাঃ ইরোবত থাবুম

### তাবুনুংদগী–

### “মৈতৈ অনি তিন্নবা য়াদে”

মণিপুর ৱাথোক লাম্থোক্লা থনবা লমদম অমনি। অদবু ৱাথোক লাম্থোকশিং অসিগী হৌরকফম পূন্না খঙদোকমিন্নদুনা পূন্না কোকহন্নবা হোৎনবগী মমিদি তমদে। লুচিংবা য়াম্মী, লূপ য়াম্মী অমগা অমগা উনবা য়াদে। ফংনিংনা তাল্লিবা পান্দম চপ মান্নরবসু পূন্না চঙশিনমিন্নদুনা ফংনবা হোৎনবগী ৱা লৈতে। অমগা অমগা উনবা য়াদে, ৱা ঙাংনদে। মখোয় মশেল চুঙশিন্নদুনা খন্ন–নৈনবগী ৱা লৈতে। অমনা অমবু থানদে। মসিমক্লা লমদম অসি চাউখৎপগী মহুৎতা কাঙখোং চাইরক্লিবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। অসিগুম্বা মণিপুরী জাতিগী ওন্থোক্লা ফৎখিদ্রবা চৎন–লোনচৎ (নেসনেল কেরেক্টর) অসি মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবোতনা উখি অমসুং জাতি অসিগী অশোনবা অসি কোকহনবা পাম্বা কন্না ফোঙদোক্লম্মী। হিরম অসিগী মতাংদা খৃষ্ট কুমশিং ১৯৩৫দা কছারগী তারাপুর মান্দবতা ফমখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহা সভাগী ২শুবা চহীগী মীফমদা পুথোকখিবা জেনরেল সেক্রেটরীগী চহীগী রিপোর্টতা হিজম ইরাবোতনা পীখিবা ৱারোল ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি...

*‘মণিপুরী জাতিনা শেঙ্খুমগী মরমদা অতৈ জাতিদগী থোয়দোক্লমক তোল্লি। মণিপুরী অমতংদা করিগুম্বা শেল লাক্লবা করবারগী লম্বী অমদা মরন্নাইনা চঙবা ঙমদে। মী ৫। ১০ তিন্নদুনা অসিগী মরমদা তান্নদবসু নত্তে অদুমকপু ঙসি ফাওবদি থবক পাঙথোকপা ঙমদরি মরমদি ওম্থোকপা হিগায়ৱা অমনা মী খুদিংগী নাকোংদা তত্তনা কামলি “মৈতৈ অনি তিন্নবা য়াদে”। অশোমদা তান্নবতা হৌগৎলকপদা হিগায়ৱা, খোংফম হেনজিনবা য়াদ্রিঙৈদা অমরোমদা লৈতবা অৱাৎপগী মৈনা চাকশিল্লকই। অবস্থা অসিদা হিগায়ৱা অসি পুম্মুৎ মুখতবা য়াদে, হিগায়ৱা অসি মন্ত্র ওন্দবা য়াদে। ‘মৈতৈ অনি তিন্নদবা য়াদে’ অসিতদা মৈতৈগী লাইবক ফবা নুমিৎ মশেক খরা খরা থোরক্কদবনি।”*

## মণিপুরী পাষ্থে –পাউরৌ, পাউতাক

- **তোরোৎ খোদানরবসু চাক্লুক্তা মহীদি তোৎপিরুনু।**
  –হঙ্গোয়নদ্রে হায়দুনসু হেঞ্জিনবা থবক্তি তৌবা চুমদে।
- **তোলোবতি হৈক্রু মনাদা য়োমগুম্মী।**
  – তোলোব য়াম্না পীকপা।
- **তোং তোং তোংদুম্বী, চকি নাকিক চৱাইবী থাদোই তেমু– তেমু কৈথেলগী মকূনা কূ–কূ খোংলকপা, উনাহেকপী চগদেংবী শেন্দ্রাং লাকই ফদ্রং।**
  – **অপাম অপাম্বা শন্না শান্নদুনা হুরিবদু মপু লাক্লবদি চেল্লো।**
- **তোংজে মরীন্দা শামু লীৎহল্লু।**
  – নিংঙাই চাউবগী ৱা, ওইথোক্লোইদবা থবক।
- **তৌগে হায়বা মতাগুম তৌবা।**
  – কল্লকসনু য়েংজসনু খঙহনগে হায়বগী মওংদা তৌবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- পোকপদা শাগোন্নরক্লবা হৈনবী পাক হেক থাদোকপা ঙমদে।
- তৌজরুবা থবক্কী মহয়দি চাং চপ মান্ননা ফংই।
- য়েৎনরিবা ৱাফম খুদিংমক অহৌবগী ৱাফমদা চাননা চৎলি।
- ফিজেৎ–লৈতেংদি মানা মানা লৈজরিবা মরল মথুমগা চান্না শেৎ–ইনগদবনি।
- মী অমগী লমচৎ–শাজৎনা মহাক মহাক্কী হৌরকফমগী অনেম অৱাং তাকই।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

## মণিপুরী পাউখোঙ

১০০৩। মনা লৈরগা মরৈ তিংথোকপা করিনো?
১০০৪। মকোক্লা চারগা মবুক্লা ফাইবা করিনো?
১০০৫। মহৈদি য়াল্লগা মপান্দি শাদবা করিনো?
১০০৬। মকোক্লা লোৎলগা মমৈনা কেবা করিনো।
১০০৭। মপানদি শারগা মহৈদি য়ান্দবা করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৭দা ফোঙজরি)

## মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
## ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

– জর্নৈল সিংহ

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা ‘মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর’ হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

### “চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর”

পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনদা অনৌ অনৌবা থবক লৌখৎপদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ঐঙোন্দা পীবা য়াবা নীংতম্বা পীখি। মসিনা মরম ওইদুনা আই এ এস ওফিসার অমগী য়াম্না তাঙনা ফংবা খুদোংচাবা অমা ওইনা হারবার্দ য়ুনিভর্সিটিগী জোন এফ কেনেদি স্কুল ওফ গভর্ণমেন্টকী এৱার্দ এস মেমোন প্রোগ্রামগী মখাদা ঐবু ষ্টদি তৌনবা খনবিখি। মণিপুরগা ঐগা মরূপ ওইনবা মরম্না আই এ এস ওফিসার অমগী য়াম্না তাঙবা খুদোংচাবা অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা জোইন্ট সেক্রেটরী ওইনা থবক তৌরুই। ঐনা পোষ্ট অদুদা চহী ৮ থবক তৌখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মরিগা থবক তৌমিন্নখি।

মণিপুরদা থবক তৌবনা মরম ওইদুনা ২০০৭–০৮গী প্রাইম মিনিষ্টরস এৱার্দ ফোর এক্সেলেন্স ইন পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন ফংখি।

অরোইবদা, য়াম্না মরুওইনা, ঐগী লোয়নবীসু মণিপুরীনি। মহাক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাও গেট ময়াদা লৈবা পুনানামৈ খুলদগীনি। ঐনা মণিপুর নত্রগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মফম অমদা লৈবা মতমদা ঐগী থবক হেন্না ঙম্নবা মহাক্লা মতেং পাংখি। মহাক্কী অচম্বা পূন্সি মরেল অদুনা ঐহাকপু নে–না তানা লৈহনবদা মতেং ওইখি।

রাকেশ রঞ্জননা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী অমসুং গভর্ণমেন্টকী কমিস্নর (ফাইনান্স) ওইরম্বী। মহাক্লা কন্সল্টেন্টশিং খন্ননবা অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টপু কোর্পোরেসন অনী থোক্লা খায়দোক্লবা ব্লু প্রিন্ট অমসুং মেথোদোলোজি দিলভপ তৌরম্মী। মণিপুর ষ্টেট পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি সি এল)না পৱার ত্রান্সমিসন অমসুং জেনরেসন প্রোজেক্টশিংগী থবক তৌগনি। মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং জেনরেসন প্রোজেক্টশিংগী থবক তৌগনি। মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কোপোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল)না পৱার দিষ্ট্রিব্যুসনগী থবক তৌগনি। মসিগী কোর্পোরেসনশিং শেম্লবা অমসুং মেনেজিং ডাইরেক্টরশিং (এম এস পি দি)শিং খল্লবা মতুংদা থবক হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লকখি।

(মথং মথং...)

## হিজম ইরাবোতকী শৈরেংশিং

### খোন্থাঙ

ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা,
ঐনা লাউরগসু লাউরিবা,
ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু
কনানো শকউদবা নহাকপু?
থোরকউ লাউ ঐগা ৱারী শাশি।
থোরকউ লাউ শক মখঙনশি।
নশক্তি উদে হে নোক্লচাউবা!
হৌনদবনি (মীগী) মতৌতন্না
নোক্লবা।
হেক ঙাঙলকপদি ঐগী তুংইননা,
খংপেক খংপেক খংই খঙহৌদনা।
হৌনদবনি মীগী চীন্থক্তা ৱা ঙাঙবা।
চুমদবনি মীনা খংনবা তৌবা।
নঙনা ঐবু করিগী ’সুক তাথীরি
য়েক্লবা থমদবনি অফবা মীদি।

*(শৈদম শৈরেংদগী)*

### কহিমা লম্বীদা

লিন লম্বীনা
থেক্লা খোয়না
　　চিংগী চিংথক্তা
　　উগী উরক্তা
চৎলি কারা ফাওরদুনা
লোক্তা পোখারি
ইশিং থকলি
　　উখোংদা ফল্লি
　　হুমাই হুল্লি
চরোৎ-লাংনা তথোৎ হুমাইনা।
হারৌ কৌজেং
য়ৌখ্রে লোক্লুং
　　শক খংদবা
　　মীনৌ উবদা
কিজৈ-কিজৈ হৌনা কপ্পি।
কৈ শগুন
মমিৎ মৈবুন
　　শংত্রিক য়েংই
　　ঙুং ঙুং ঙংই
চেগপ্তা কোইথৎ থৎলি।
মুশুক শকথি
চীংগী হিংচাবা
　　ঙংনা পাইরক্লে
　　লোইনা চেন্নরে
লম্বী থিগোমৈ তমলে।
খোঙ্গুন অমা
মুৎপা লৈতবা
　　“চীং-নুং ঙম্বা”
　　লুনা হক্লবা
থম্মুই কহিমা নুংপাক্তা।

*(ইমাগী পুজাদগী)*

### কাউমুদো

স্বর্গরোমদা কৈরাক থারিবা
কৈরাক ফৈরোই কারন্না
উব্রা,
বীর অনিগী মিং ইরিবা
উব্রা।
কবৌ উচন চিংশুউ খোংৱানা
জয়ধবনী লাওরিবা
তাব্রা,
“গরিবনৱাজগী জয়”
তাব্রা,
ইরাবতীগী লুরবা ইচেন্দা
মমিনা চেল্লিবা,
উব্রা।
সমুদ্রদা পাওদম্মিবা
তাব্রা?
মতোনগী নিলচক্র শরিকনা
নোংমদোন্দা খিংলিবা
তাব্রা,
স্বর্গদা পাওচেল্লিবা
তাব্রা?

*(ইমাগী পুজাদগী)*

### নোক্লবা

করিগীনো ইকায়গদবা মীনা নোক্লবদা,
মীনা ঙন্নদবা থবক ঙমগে হোৎনবদা।
নোক্লবগী ৱাহৈবু খনগনি পাউতাক্লি,
নোক্লবশিংবুনা নীংগনি চান্নবা মরুপ্পি।
য়োৎকী মথৌ শঙবনি থাংজবগী মৈফূদা।
লিংজেলগী মথৌ শঙউ নোক্লবা ৱাহৈনা।
মীনা থাগৎপগী ৱাহৈবু নীংউ নোক্লবনি,
মী অদুবুনা খল্লু অথোইবা য়েক্লবনি।
অদুতদা পাঙগনি থবক মীনা ঙমদবা,
ওমগনি মীঙোন্দগী মীথোই মীহেনবা।

*(শৈদম শৈরেংদগী)*

### লুপা

হে লুপা! ঙকই নঙগী নগুণ খল্লুবদা।
কনা লৈরিবগে নঙগী নগুণনা শুহমত্তবা।
মমায়–মমিৎ, মশা হুমাংনা পুমচোৎ চোত্তুনা
কালেন নুংশাগী চাক্লবা মৈশা খাঙদুনা,
অর, অর তিতি, তিতি হায়না লৌ খোইরিবা
নুংশিরবা মরৈবাক লমদম থাদোক্তুনা,
মপা,মমা, মতু, মচানচিংবা হুঞ্জেক্তুনা,
শিবা নাবা, খুদোংথিবা পুম্বা কিবা লৈতনা.
শোঙলবা উমং, অৱাংবা চীং, তুরেল, লান্দুনা,
লল্লোলপোৎ পুদুনা মীরৈবাক্তা চৎলিবা,
তাকু, মীহাৎপশিংনা মখুৎতা থাঙশাং পায়দুনা
নুংশিবা লৈতনা থৱায় কয়া কয়া হাৎলিবা
মীগী মপোকৎ সনা, লুপা, হিরা, মুক্তা লৌরিবা
পুন্নমকসি কনাগীদমক্লো, হে লুপা!
লৈতে নঙোন্দগী হেন্না নুংশিবা মীওইবনা,
নৎত্রবদি করিগী শীন্নগদগে মচাগা নঙগা।
নৎত্রবদি নরক লীশিংদগী হেন্না ৱারবা,
করিগী ওইরুগদগে মীগী মীনাই ৱানা,
হে লুপা! নঙদি মপোক অসিমগীদমক্তনি,
হিংলিঙৈগী মতমদা লৈমিন্নগদবা ললনি।
শিরগা লোয়নগদবা অমাং অতা লৈত্রবা
লল খিবিক্তগী লেঙদবা ললবুনা
হে লুপা ! কাউহল্লে মীওইববু নহাক্লা
সংসার পুম্বসি লোয়না ঙাওহল্লে নহাক্তনা।

*(শৈদম শৈরেংদগী)*

### শরুনা নোকই

লমখাই মোংফম লম্পাক্তা
ফজবী নুপীগী লুকং অমা
ঙৌনা খিগৎপা ময়া পরেংদা
অকনবা নুংশিৎনা হুমবদা
নোক্লি শিথবা খোঞ্জেন্না।
উবদা তকসি শোন্নবা
অমৃত নিক নিক লাওবা
কদাই ফজবা মূর্ত্তিদুনা?
কদাই ফজবা শক অদুনা
উবদা মিৎ চোইনিংদবা?
তুংয়ান উবদা কল্লকপা
খোইমু ইকাইনা মুবা
কদাই নিংদু নৈবা শন্নাংনা?
কদাই ৱাহৈ ৱাতা অদুনা
কোকিলগী সুর ঙমজবা
শুস্মৎপা মন্ত্রনা মাংওইবা?
নুংশি মিৎয়েংনা তেঙ্গা থোংবা
কদাই পিশুমগী লিরুংদুনা?
কদাই পুক্নীং হুবা শাজৎতুনা
খোংথাং খোংথাংদা চেপ্পা?
য়ুগ কয়া কয়াদগী হৌনা
অসুম্না নোকলল্লি শরুনা
নোক্কনি য়ুগ কয়াগী মতুং ফাওবা
নোক্লি শরু কয়ানা মোংফমদা।

*(ইমাগী পুজাদগী)*

### উনা

তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,
পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,
হে উনা! পূন্সি নোল্লমাল্লে,
　　উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদো।
নফম লেঙদ্রিঙৈ নাপল ফরিঙৈ,
মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,
শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,
　　তৌবিল লমন শিংলর নেৎপনা।

*(শৈদম শৈরেংদগী)*

### জেল

ৱাংইদা চেকপনসিদে
　　ঙকলিদুম নাই।
মতোন্দা ইঙৌ ঙৌরিবসে
　　মিংশেল মচেৎনি।
খাগী থাঙপাৎসিসু
　　তাম্মে তাম্মে।
শিপ কুন্তির গরিয়াঙ্গু
　　থল্লে থল্লে।
ধং ধং তারিবা মখোলসি
　　থোংজাও থিনবনি।
ইন্সপেকসন তৌবা পুংফমগী
　　অফিসার চংবনি।
সিপাহী ছন্ত্রিনি ময়ামসি
　　সঙ্গিন নোংথাংনি।
ঙাকপা অতৈ মসানি
　　অসিনা মপুংনি।
ফাদোক্কী মথক্তা’ মুক্কা
　　হিগাইৱাসু তৌরি।
করিদগী মঙাকনো
　　অসিনা মথংনি।

*(ইমাগী পুজাদগী)*

### চাওখৎপা

কদোমদগী লাকইবা খোঞ্জেননো
　　অসিদা য়ৈররিবা–
কদাইদগী কনাগী খোন্থাংনো
　　চাউখৎপা হায়রিবা–
ৱা ৱা লাউবা ইরাওখোন্না
　　অকিবা ফংনা তারি–
ইহৌরকপগী ঈরৈ ইহুনগুম্না
　　তাদুনা চেল্লক্লি।
হৌজিক্তি লালগী মীহাৎনবা
　　খুৎলাইগী পুকৈ–
অঙকপগী মনুং চল্লিবা
　　যন্ত্রগী মপৈ।
অসিবুরা চাউখৎপা হায়রিবা–
　　ময়াম লাংনরিবা?
করম্বা বিদ্যাবুনো হায়নরিবা–
　　জগৎকী অনৌবা।
মখোং পূনবনা পূন্দববু তান্নবা–
　　করম্নবু ফংগবা।
লৈশা পায়খি খনবনা হান্না–
　　থৎপা লৈতবগা।
ঐখোয় ভারতকী হৌখিবা য়ুগ
　　রামায়ন ভারত অনী।
য়ুগচক্রগী খোংলৈগী লমলোন্দা
　　অমুক উবতনি।
হিমালয়, সমুদ্র অনীগী সাক্ষিদা
　　দলিল অমা ইসি।
থুনা রেজিষ্টার তৌশিনসি
　　মাঙদনা থমজিনসি।

*(ইমাগী পুজাদগী)*

## দি জি এ আর হোক্কী টুর্নামেন্ট:

# নুপাগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৩শুবা দি জি এ আর হোক্কী কপ ২০২৬ নুপাগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখিবগা লোয়ননা নুপীগী ফাইনেলনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা মৈরা বাশিখোং অমসুং থা থৌবালনা শান্নরগনি।

নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা আর্মি এলবেন অমসুং সেয়োনা অয়ুক পুং ৭ তাবদা অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা সি ও এস অমসুং এস এস বিনা অয়ূক পুং ৯ তাবদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী লীগ মেটচ অমদা আর্মি এলবেননা টি দব্লিউ সি তাওবুংখোকপু গোল ১০–০দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। মায় পাক্লবা আর্মি এলাবেনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৭ আই রোহিটনা অঙনবা মিনিট ১, ৩২ অমসুং ৬০দা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ৫ অনকুশনা ৪শুবা, জর্সি নম্বর ৭ তুসর পারমারনা ১৪শুবা, ২৪শুবা, ২৫শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা পূন্না গোল মরি, জর্সি নম্বর ১৩ রভনীটনা ২৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ মনিশ রাজভরনা মেটচকী ৩৪শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস এস বিনা এম পি এস সি মণিপুর পুলিসবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা এস এস বিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ অমন শর্মানা অহানবা ক্বার্টরগী ১০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২৭ প্রভিন চৌহননা অনীশুবা ক্বার্টরগী ২৩শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিরবা এম পি এস সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ কেঐচ রবিকান্তনা মরিশুবা ক্বার্টরগী ৫১শুবা মিনিটতা চনখি।

নুপীগী শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা মৈরা বাশিখোংনা টি দব্লিউ সি তাওবুংখোকপু গোল ৮–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি। মায় পাক্লবা মৈরাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ খুশি কতারিয়ানা ১৩শুবা, ২৩শুবা অমসুং ৩০শুবা, জর্সি নম্বর ১৬ টিঐচ নিরুপামানা ১৯শুবা, জর্সি নম্বর ১২ মৈকাম সুর্ভিয়ানা ৩৫শুবা, জর্সি নম্বর ১০ বি সরিতানা ৩৮শুবা, জর্সি নম্বর ৪ মৈকাম হেন্থোইনা ৪৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২ য়োগিতা বোরানা ৫২শুবা মিনিটতা চনখি।

# এল এম ৱাই ভি এ, ৱাই ও এস সি, ই এস য়ু অমসুং মোদেল সেমিস চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা নুপাগী টিম ১০না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্লগা অমদি নুপীগী টিম ৫না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ২৯শুবা ষ্টেট য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (বোইজ এন্দ গালর্স)গী ঙসি নুপামচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদা বি দি বি এ অমসুং ই এস য়ু মায় পাকখ্রে।

অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা বি দি বি এনা সেন্ত এন্থোনিবু পোইন্ট ৬১–২১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা বি দি বি এগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ১৮, অনীশুবা ক্বার্টরদা ২১, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৪ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৮ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা সেন্ত এন্থোনিগী গোলশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা ৬, অনীশুবা ক্বার্টরদদা ২, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৮ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ৫ খক স্কোর তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ই এস য়ুনা ৱাই ও এস সিবু পোইন্ট ৮১–৬৬দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ই এস য়ুগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ২৩, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৭, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ২২ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৯ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা ৱাই ও এস সিগী পোইন্টশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা ১৫, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৪, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৬ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ২১ স্কোর তৌখি।

# জুনিয়র কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুয়েল ৱুমেনদা সাই আর সিগী লোংজম ত্বীঙ্কলনা অহানবা তাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর সি সি গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬গী ঙসি জুনিয়র কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুয়েল ৱুমেনদা সাই আর সিগী লোংজম ত্বীঙ্কলনা স্পোর ১৩৭ ফংদুনা অহানবা, বি এ এগী সেনয়াই থোঙামনা স্কোর ১৩৬ ফংদুনা অনীশুবা অমদি য়ুনিট অসিগী শগোলশেম ষ্টেলিনা চনুনা স্কোর ১৩৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুয়েল মেনদা এ এ এগী কে পুনন্দা শর্মানা স্কোর ১৪৫ তৌদুনা অহানবা, এ এ এফ সিগী লানঙম্বা মুতুমনা স্কোর ১৪৩দা অনীশুবা অমদি সাই আর সিগী হুইদ্রোম বিকেননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্দ ৱুমেন ৩০X৩০ মিটরদা বি এ এগী শগোলশেম ষ্টেলিনানা স্কোর ৬৭৪ তৌদুনা অহানবা, এন এস য়ুগী টিঐচ গ্রোসিয়ানা স্কোর ৬৭৩দা অনীশুবা অমদি বি এ এগী সেনয়াই থোঙামনা স্কোর ৬৫৭ তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্দ মেন ৩০X৩০ মিটরদা সাই আর সিগী য়েনশেম্বম রোজিৎ মৈতৈনা স্কোর ৬৯৭দা অহানবা, য়ুনিট অসিগী হুইদ্রোম বিকেননা স্কোর ৬৯৪দা অনীশুবা অমদি এ এ এগী কে পুনান্দা শর্মানা স্কোর ৬৯৩দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্দ মেন টিমদা এন এস য়ুগী লাইশ্রম নিখিল, বিসাল সাপম অমসুং নিক পোৎশঙ্বমনা শাবা টিমনা স্কোর ২৩০ ফংদুনা অহানবা, সাই আর সিগী য়েনশেম্বম রোজিৎ মৈতৈ, হৈখাম বিজুনা শাবা টিমনা স্কোর ২২৭দা অনীশুবা অমদি এস এ সিগী এলাংবম লমঙানবা, পারি নোংথোম্বম, তাখেল্লম্বম রানেল মৈতৈ অমসুং য়ুম্লাম লন্থোইবানা শাবা টিমনা স্কোর ২১৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কম্পাউন্ট মিক্স টিমদা সাই আর সিগী য়েনশেম্বম রোজিৎ মৈতৈনা স্কোর ১৫১দা অহানবা, এন এস য়ুগী লাইশ্রম নিখিল অমসুং টিঐচ গ্রেসিনা পোইন্ট ১৫০দা অনীশুবা অমসুং বি এ এগী ৱাইখোম অভিনাস অমসুং শগোলশেম ষ্টেলিনা চনুনা স্কোর ১৪৮দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# ৱুশু শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ জপানগী আইচি নাগোয়াদা চত্থরিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা শরুক য়ারুবা ৱুশু শান্নরোইশিং ঙসি ৱুশু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

তরাম্না ওকখ্রবা ৱুশু শান্নরোইশিং অদুদি হঙবম লালেনতোম্বী, ময়েংলম্বম সুরজ অমসুং সঙাকপম চাউবী দেবীনি। হঙবম লালেনতোম্বী ৱাঙ্খেই অয়াং পল্লিদগী ঐচ জয়দেব শর্মানাগী মচানুপীনি। ময়েংলম্বম সুরজনা ককচিং খুনৌদগী এম সরতগী মচানুপানি। অদুগা শঙলাকপম চাউবীনা মাইবম লৈকাই লিৱা লম্বীদগী হুইদ্রোম দেৱানগী মচানুপীনি।

# এ কে এস এ অমদি সাও ককচিং দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন–দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা ককচিংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২শুবা ক্ষেত্রিময়ুম কিশোরকুমার সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এ কে এস এ ককচিং খুনৌ অমদি সাও ককচিং দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা ৱাই জি সি লাংমৈদোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্টগী ৬শুবা মেটচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা এ কে এস এ অমসুং সাও অপিবা মতম ফাওবা গোল ১–১দা লৈনবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

অপিবা মতমদা চনখিবা এ কে এস এগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ কর্ণজিৎনা মেটচকী ২২শুবা মিনিটতা পেনাল্টিদা অদুগা সাওগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এন দোনাল্ডনা মেটচকী ৫৮শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ৩ এস রাজমণি, জর্সি নম্বর ৯ এম রোশন, জর্সি নম্বর ৮৭ এস ননাও,জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ জেসুৱা অমদি সাওগী জর্সি নম্বর ২৩ এসঐচ বেকর রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই জি সি লাংমৈদোংনা য়ু বি এস এ মন্তকপু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই জি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ৱাই প্রিয়োবত্তনা মেটচকী ২১শুবা, ৩৩শুবা অমসুং ৪৫শুবা মিনিটতা গোল অহুম অমদি জর্সি নম্বর ১৭ আই দিপক মৈতৈনা মেটচকী ৫০ অমসুং ৬৪শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা য়ু ভি এস এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ সিংনৈচুংনা মেটচকী ৪৫ প্লস ৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

# তেকা পিশুম কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চত্থরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা ঐচ এ দব্লিউ কে কাংখুৎবু পাঞ্জল ১৬–১২দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফতা ৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা ঐচ এ দব্লিউ কেনা অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল ৬ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ স্কোর তৌখি।

# চোৱাইনু, সোং সোং অমসুং চাকুমাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা এ এফ এ টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্লগা চত্থরিবা মাও ষ্টুদেন্টস মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা পুলশিংগী মেটচশিংদা চোৱাইনু, সোং সোং অমসুং চাকুমাই মায় পাকখ্রে।

ঙসি পুল–বিগী শান্নখিবা মেটচতা চোৱাইনুনা কাইবিবু গোল ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা চোৱাইনুগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ চোরোনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৫, জর্সি নম্বর ১৭ হরিসুওনা মেটচকী ৭শুবা, ২৪শুবা অমসুং ৭২শুবা মিনিটতা গোল অহুম চদুনা হেটত্রিক তৌখিবগা লোয়ননা জর্সি নম্বর ১৯ মহরিওনা মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা চোৱাইনুগী জর্সি নম্বর ২৩ মৈশেল অমসুং জর্সি নম্বর ২১ ইফরিওদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

পুল–বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সোং সোংনা রাবুনামৈবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা সোং সোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ এল কাইসিনা মেটচকী ৩০শুবা, জর্সি নম্বর ১৪ কাথেহরিনা মেটচকী ৭৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ অদাজিউনা মেটচকী ৮৩শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। মায়থিরবা রাবুনামৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ দি হরিয়াইখোনা মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা চনখি।

সোং সোংগী জর্সি নম্বর ১৫ এস অদানি দবল কোসন বুক তৌবদগী রেফরিনা মেটচতগী মপান থোকহনখি।

পুল–সিগী মেটচতনা চাকুমাইনা সি ঐচ খুনৌবু গোল ৪–২দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা চাকুমাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২১ খোজিওনা মেটচকী ১৬শুবা,জর্সি নম্বর ১১ দেভিদনা মেটচকী ২১শুবা অমসুং ৭০শুবদা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ১৬ ঐল লোলিনা মেটচকী ৭৬শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা সিঐচ খুনৌগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ কোদা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ হরিপুনিনা চনখি।

# সব–জুনিয়র বোইজ এন্দ গালর্স কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা করাং আইসলেন্দ স্পোর্টস প্লেয়র ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা শীন্দুনা করাং লৈচি পন্দোনদা লৈবা কিস্পৱা গ্রাউন্দদা ঙসিদগী সব–জুনিয়র বোইজ এন্দ গালর্স কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ হৌখ্রে।

ঙসি ওপনিং মেটচ ওইনা নুপামচাগী শান্নখিবদা কে আই এস পি দব্লিউ এনা এদভান্সবু পোইন্ট ৫০–৪৯দা মায়থিবা পীখি। নুপামচাগী অতোপ্পা মেটচশিংদনা ভেতো লফুপাৎ তেরানা সি সি ৱাই পি এবু পোইন্ট ৪২–২৪দা, নয়ানা এস এল ৱাই ওবু পোইন্ট ৩৯–১৯দা অমদি এন ৱাই দি এনা এল ৱাই দি এবু পোইন্ট ৪৭–২৪দা মায়থিবা পীখি।

নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা ঐচ এস থঙ্গানা কিস্পৱাবু পোইন্ট ৩৭–২৯দা, ভেতোনা সেদোবু ৫১–১৭দা, য়ু পি এসনা এল ৱাই দি সিবু পোইন্ট ৪৯–১৩দা অমদি এন ৱাই দি এনা সি এম এবু পোইন্ট ৬০–১৭দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা ৫৯ ব্রিগেদগী কম্মান্দর ব্রিগদিয়র সচিন মহাদিকনা চীফ গেষ্ট, থঙ্গা হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্রিন্সিপাল বি প্রফুল্লো শর্মানা প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টগী জোইন্ট সেক্রেটরী (হোম) কম প্রোজেক্ট ডাইরেক্টর এল দি এ বালকৃষ্ণ হৈস্নাম, সোসিয়েল ৱার্কর ডা. হাওবিজম গীতরঞ্জন, এম এস কেএগী চিয়রমেন অয়েকপম জিতেন, প্রসিদেন্ট এন লোকেন্দ্রো, জেনরেল সেক্রেটরী থৌনাওজম মোতিলাল, বি দি কে এগী প্রসিদেন্ট এল বিমোল অমদি জেনরেল সেক্রেটরী ঐচ নবানা অথোইবা ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কমীটিগী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজনা শীন্দুনা নাওরেম রাজেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো (মেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ অমসুং নাওরেম ওংবী তম্পাক লৈমা মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো (ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ৱ্রেভ বোইজ এসোসিয়েসন ইন্দোর হোলদা ওক্টোবর ৫দগী পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম সবমিসননা ওক্টোবর ২গী নুংথিল পুং ১ ফাওবা, মেনেজর মীটি অমদি ৱেটইননা ওক্টোবর ৫গী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা তৌবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী অকূপ্পা মরোলগীদমক প্রভাবতি কোলেজ নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুদা খল্লবা য়াগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অনী অসিদা এম য়ু স্পোর্টস কম্মীটিদা এফিলিয়েট তৌরবা কোলেজ, ইন্টটিট্যুটশিংগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি অমদি মহৈরোইশিংনা শুংশোয় শোয়দনা এ আই য়ু স্পোর্টস পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি লোয়ননা এম য়ু ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস টুর্নামেন্টশিংদা এ আই য়ু স্পোর্টস আই দি উৎক্কদবনি হায়না টুর্নামেন্টগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ডা. চনম্বম রোনেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



SL/B(KK)/31 (one month)

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE : NARUTO
**Ingudam Lamnganba**
Class: I
Roll No: 3
Sec : Tulip
School : R M School




TITLE : MY DOG
**Raindy Y.**
Class: II
Roll No: 33
Sec :A
School : Unacco School



TITLE : VILLAGE SUNRISE
**N. Daniel Luwang**
Class: V
Roll No: 7
School : URS Chanung





TITLE : ENVIROMENTAL IMPECT MAP
**Riyas Khan**
Class: VI Roll No: 20
School : Model Higher Secondary School





TITLE : LIFE IN THE QUIET VALLEY
**N. MALEMSANA**
CLASS : VI
ROLL NO. : 17
SCHOOL : URS CHANU





TITLE : SERENITY IN THE MOUNTAINS
**Y.SONSON**
CLASS : VIII
ROLL NO. : 34
SCHOOL : URS CHANU





TITLE : WHISPERING WATERS
**Shibrason**
Class: VIII
Roll No: 33
School : URS Chanung





TITLE : BLOSSOM BY THE BAY
**Leymar Chandra Khaidem**
Class: IX
Roll No: 24
School : URS Chanung





TITLE : THE SUNLIT ESTUARY
**Brainy Wahengbam**
Class: IX
Roll No: 16
School : URS Chanung





TITLE : MY VISION OF VIKSIT BHARAT
**Cshimaral Moinam**
Class: X, Roll No: 6
School : Model Higher Secondary School



Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, , RNI Registration No. 31350/ 77
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com